এ আই পি পি সিগী মীওই ৮ মরু কোকথোক্তুনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক

সিলচর, ফেব্রুৱারি ১০ঃ অসাম ইন্দিজেনস পিপল প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ আই পি পি সি) গী প্রসিদেন্ট য়াওনা মীওই ৮ না ঙসি মরু কোকথোক্তুনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা সিলচরগী মহাসরক পোইন্ট মোটগুরাপুরদা চখৌখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা সেন্টরগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল নম্ফুন্দা পাস তৌনবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা মরু কোকথোক্তুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। মদুদা এ আই পি পি সিগী প্রসিদেন্ট মনমহন বর্ম্মন, জেনরেল সেক্রেটরী সেরাম হেরাজিৎ, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী সহদেব রাজবংসি, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী ওক্রম লখিকান্ত, এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং জোসিমউদ্দিন লাস্কর, করিমউদ্দিন লাস্কর, উতম রাজবংসি, প্রমোট রাজবাংসি হায়রিবা মশক নাইবা মীওই ৮ শরুক য়াখি।

WE OPPOSE CITIZENSHIP AMENDMENT BILL-2016
PROTECTION COMMITTEE
Assam
WE OPPOSE CITIZENSHIP AMENDMENT BILL-2016

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা জেনরেল সেক্রেটরী সেরাম হেরাজিৎনা ফোঙদোকখিবদি লৈবাক অসিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং মুত্থৎনবা ভারত সরকারনা হোৎনরি। বি জে পি লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুৱাহাটিদা লাক্লমদুনা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিংবু মুত্থৎনবা বিল পাস তৌনবা হোৎনবা অদু কৈদৌঙৈদা য়াবা ঙম্লোই অমসুং বি জে পি সরকারনা করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরবদি নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা য়েলহৌমী পূম্নমক পুল্লগা বি জে পিবু মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনরগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনদা নোর্থ ইষ্টকী ইন্দিজেনস পিপলশিংনা শোয়দনা মতিক চাবা পাওখুম পীগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিতম মৈ থানবা হোৎনবদা অসাম পুলিসকী মশীং য়াম্লবা পার্সোনেলশিংনা অথিংবা পীবগা লোয়নননা মিতম অদু মুনখিবদগী মৈ থাবা ঙমহৌদ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক্তগী জিরিবামদা পুং ৩৮ গী টুটেল সটডাউন হৌরগনি

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১০ঃ মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সি এ বি (মেনপেক) জিরি ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ঙসি জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (জিম্পাল) গী ওফিস্তা পাঙথোকখিবা মীফম্না সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ কী মায়োক্তা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪ দগী থা অসিগী ১২ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পুং ৩৮ গী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ততা টুটেল সটডাউন তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মেনপেক জিরিগী কনভেনর ৱাংখেময়ুম দিনেস মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদি সি এ বি ২০১৬ কী মায়োক্তা জিরিবামদা লৈবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী লূপশিং পূন্না শরুক য়াদুনা শেমখিবা মেনপেক জিরিনা শীন্দুনা পুং ৩৮ গী জিরি দিষ্ট্রিক্ট বন্দ অসি লাউথোকখিবনি।

পুং ৩৮ গী টুটেল সটদাউন কৌরিবা অসিগী পান্দমদি লোক সভানা পাস তৌখিবা সি এ বি ২০১৬ অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না য়ানিংদে অমদি বিল অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চৎনবা য়ারোই হায়বা অদু ভারত সরকারদা খঙহনবনি। বিল অসি লৌথোক্ত্রিবফাওবা মখা তানা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

টুটেল সটদাউন মনুংদা অনা অয়েক, লাইনীং লাইশোল অমদি এগজাম্নচিংবদি অপনবা পীরোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ু শুংদুনা মপাল লমদা থাদোকসি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম সি এ বিগী ইসু নাথৈনবা হোৎনবনি–*কাদা*

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা ইমা কৈথেল শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপাল লমদা থাদোকসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু চীফ মিনিষ্টর অমনা ঙাংলোইদবা, মীয়ামগী খন্দবা ৱাঙাংনি লোয়নননা হৌজিক সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল (সি এ বি)গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী ইহৌবু নাথৈনবা হোৎনবনি হায়না কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না ফোঙদোরক্লি।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাং খূদিংমক্তা কাদানা শৌগৎলি। অদুবু চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা লমদম অসিগী মীয়াম তুম্না মাঙহন্নবা থৌরাং ওইরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা মতম চূপ্পদা লেপকনি। লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ কী মায়োক্তা অকনবা ইহৌ চঙশিল্লিঙৈ তাল্লক অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোরকপা হায়বসি মীয়ামগী ইহৌবু নাথৈনবা হোৎনরকপা থৌওংনি হায়না লৌরোইদবগী মরমসু লৈতে।

চেরোল অসিনা মখা তানা সরকারনা য়ু শুংদ্রবদি লৈবাক ঙাকপা ঙম্লোইদৌরিব্রা, য়ু নৎত্রবদি ষ্টেট অসিগী আই লাক্লবা অতোপ্পা লম্বী লৈত্রবরা, য়ুগী চৈথেং–চৈনা কোক্ত্রিবা লমদম অসিদা য়ু শুংলগা করম্না চাউখৎপা পুরক্কদৌরিবনো, লমদম অসিদা য়ু শুংলগা মতৌ করম্না য়ু ফংহল্লোই হায়রিবনো, ৱাফম অসি মতৌ করম্না থাজবা ঙমগদৌরিবনো হায়না হংলদুনা শেম্লিবা এক্ট আইন খূদিংমক মীয়ামগী য়াইফনবা পান্দমদা শেম্বা ঙাক্তনি হায়রি। অদুবু মপূং ফানা চৎনহন্দবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার এক্ট) ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌদুনা ইন্টরনেল সেক্যুরিটিদা শীংনরকপা অমদি মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেন্নবা হোৎনরবসু এক্ট অসিগী মরুমদা লমদম অসিগী চমজরবা মীওইচা কয়া হাৎনিংবা মতমদা হাত্তোক্লি। অসিদসু নত্তনা ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনদুনা চেঙ কেজি অমদা লুপা ৩ দা ফংহনগনি হায়রবসু মণিপুরগী করম্বা মফমদা কদাইৱাইদা ফংহনখ্রবগে হায়বসি হংনিঙাই ওই। ফিভম অসিদা মতৌ করম্না লমদম অসিদা য়ু শুংলগা য়ু ফংহল্লোই হায়গদৌরিবনো হায়নসু হংলি।

মীয়ামদা অপঙবা শীবা, ৱাখল মপুং ফাদবগী থৌওং চখদুনা লমদম অসি মৈ হৌনা চাক্লবা থৌওং চখদবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বি এদ ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী ফল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এদ ফার্ষ্ট সেমিষ্টর এগজামিনেসন ২০১৮ গী ফল ঙরাং নুমিদাং লাউথোকখ্রে। এগজাম অসিদা পূন্না কেন্দিদেট ১১১২ থাবগী মনুংদা ৮০৪ পাস তৌখি। অকূপ্পা মরোল এম য়ুগী ৱেবসাইট নৎত্রগা এগজামিনেসন সেক্সনদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন হায়বা পাউজেল পুদুনা মমাঙ থা জনুৱারি ২৮ দগী মথন্তা কার থৌদুনা দিল্লি ফাওবা চৎখিবা গিরিন্দা লোইতোংবম্না থা অসিগী ২ দা দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা থুংখিবগা লোয়নননা অমুক মফম অদুদগী হল্লক্তুনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলবদা মীয়াম্না সেকমাইদা তরাম্না ওকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন ফোর ইন্দিয়ান ৱুমেন এগেনষ্ট ক্রাইম মণিপুর ব্রাঞ্চ কৈশাম্পাৎ কোঙ্গেং হজারি লৈকাইনা শীন্দুনা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি। ঙসি ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়নননা মহাক্কী পোক্লফম ললাম্বুংমখোঙ তখেল্লম্বম লৈকাইগী মীয়াম্না মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়নননা তরাম্না ওকখি। চেরোল অমদা হায়, নুপী খূদিংমক থৌনা লৈগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন ঙাক্তুনা খোঙচৎ চৎলুবগীদমক লমদম অসিগী স্কুল কয়াদা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

এস এস এ অমদি রমসাগী ওঝাশিংনা তাল্লিবা দাবী অথুবদা পীথোকপিয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ এস এস এ অমসুং রমসাগী ওঝাশিংনা থা ৯ গী তলব পীথোক্লবা য়াওনা দাবী কয়া তান্দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কবা অথুবদা পীথোকপা য়াবা দাবীশিং পীথোকপিয়ু অদুগা মতম চঙগদবশিং অদুনা সরকার অমসুং ওঝাশিংগী য়ানবা চেরোল অমা ইনদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না আপিল তৌরি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা ফিলেমচা বালেশ্বর মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ওঝাশিংনসু খোঙজং চঙশিল্লিবনি হায়দুনা মহৈরোয়শিং তাকপি তম্বিদবগী থৌওং অসিগী মহুত্তা কন্স্ট্রক্টিভ ওইবা মওংদা খোঙজং চখনবা হোৎনবিয়ু।

রমসা অমসুং এস এস এগী ওঝাশিংনা থা ৯ গী তলব পীথোকপিয়ু হায়বা দিমান্দগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তান্দুনা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না মরম চাত্রা হায়না লৌই। অসিগুম্বা ওঝাশিংগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু এদুকেসন মিনিষ্টরনা মথোং মরম খঙদবা খোঙজং অমগুম মীয়ামদা লান্না উহন্নবা ঙাং শাকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি। থা ৯ গী ফংফম থোকপা তলব অথুবা মতমদা পীথোত্তুনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা অচুম্বা ওইগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক স্কুলশিংগী অনৌবা সেসন হৌরকপা মতম অসিদা ওঝাশিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈখিবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগীদি চাউনা মাঙজবনি। হান্নদগী হৌনা সরকারগী স্কুলশিংদা মহৈরোয় ৱাত্তুনা লৈরিঙৈদা অমুক্লা হন্থরক্লবগী অচৌবা মরম অমা শোয়দনা ওইহল্লগনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লক্লি।

অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চহীগী মীফম পাঙথোকখ্রে

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক

সিবসাগর, ফেব্রুৱারি ১০ঃ অসামদা মপাঙ্গল কনবা অমদি মণিপুরী খুন্নাইগী মরু ওইবা লূপ অমা ওইরিবা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (এ এম এস পি) গী ৫৭ শুবা চহীগী মীফম ঙরাংদগী হৌনা মণিপুরী কলা কৃষ্টি কেন্দ্র বোরকোলা সিমালুগুরি সিবসাগরদা পাঙথোকখ্রে।

পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. করাম ইবুংহলনা ঙরাং অয়ুক পরিষদকী ফিরাল চিংখৎতুনা মীফম অদু হৌদোকখি। মণিপুরী পুৱারীগা নুংশিনবা মরী লৈনরিবা সিবসাগরগী বোরকোলা মৈতৈ খুনদা লৈবা মণিপুরী কলা কৃষ্টি কেন্দ্রদা চখিবা থৌরম অদুদা অথৌবশিংগী খুভমদা লৈশু কৎখি অমসুং দেলিগেট সেসনসু পাঙথোকখি। অদুগা পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট পি কামিনি সিংহনা বুক এগজিবিসন অমসু হৌদোকখি। দেলিগেট সেসন্দা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী ভাইস চিয়ারমেন প্রো. হিজম তোম্বীনা অথোইবা মীথুংলেন, ঙাঙোম জোয়কুমারনা থৌরম মপু অদুগা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি অমসুং পদ্মশ্রী ক্ষেত্রিময়ুম থৌরানি শাবী, সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি টিঐচ চাউতোম্বী অমদি সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট মণিন্দ্র কোন্সমনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মখা তানা ডা. করাম ইবুংঙাহল, পি কামিনি অমসুং ডা. কে এন চান্দনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা জেনরেল এসেম্ব্লি মীফম পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা মরু ওইবা ৱারেপ কয়া লৌখিবগা লোয়নননা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ৱাহম্বোক ওইনা অসাম মৈতৈ খোরিরোল শিল্লুপ হায়না খঙনবা হায়নসু লেপ্পখি। নুমিদাংদা নাৎকী ওইবা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নননা অইবশিং শৈদিন্নখি। মদুদা এন সুরুটিকু মারনা মোদরেটর ওইখি হায়রি।

পি ঐচ সি লিলোং পুং ২৪ মথৌ তৌদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লিলোংদা লৈবা প্রাইমারি হেলঠ সেন্টর (পি ঐচ সি) মহৌশাগুম পুং ২৪ মথৌ তৌদ্রবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী সফিয়ুউলহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ৪ দা আয়ুসকী ডাক্তর অমা য়াওনা ডাক্তর ৩ পি ঐচ সি অসিদা পীরগনি হায়না হেলঠ মিনিষ্টরনা থাজবা পীরগা ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। লোয়নননা ষ্টাফ নর্স ২ ট্রান্সফার তৌখ্রগা মহুৎসু পীরক্ত্রে।

সেন্টর অসিদা মুস্লিম ডাক্তর ৩ লৈবা মরম্না অতোপ্পা কম্যুনিটিগী ডাক্তর থাবিরক্কবসু নৌহৌননা খঙহল্লদুনা মুস্লিম কম্যুনিটিগী ডাক্তরশিংনা ইরাইগী নমাজ শোনবা চৎপা মতমদা ইম্মর্জেন্সি লাকপশিং খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। অসিগুম্বসি মখা তানা থোক্তনবা অতোপ্পা কম্যুনিটিগী ডাক্তর অমসুং ষ্টাফশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা থাবিরক্ত্রবদি মখা তবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়রি।

দ্রগ লান্না শীজিন্নবা থিংবগী মতাংদা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম সেন্টর (সি দি পি সি) হেলঠ ক্যার সেন্টর দি এদিক্সন সেন্টর থৌবাল পাখংখোং লৈরক্লা এন আই এস দি – এম ও এস জে ই – আর আর টি সি – এন ই আই খূৎশম্নদুনা দ্রগ এব্যুজ প্রিভেন্সন হায়বা হিরমদা স্কুল ওঝাশিংগী ওইবা নোংমগী কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ঙসি সি এম ও ওফিস থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নেস্নেল হেলথ মিসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সিঐচ বসন্ত অমদি হেলথ ক্যার সেন্টর দি এদিক্সনগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর দব্লিউ বিরেননা পূন্না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা সনরাইজ এম এন পি প্লস ইম্ফালগী প্রোজেক্ট মেনেজর এম সদানন্দ, আর দি এস খোংজোমগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এ রোবিন্দ্রো অমদি হেল্লিং পোইন্ট আই সি এ আর, কোওর্দিনেটর লিগেল এদ সেল ককচিংগী কাউন্সিল্লর এস রামেশ্বরনা রিছোর্স পার্সন ওইনা মথংশিংনা বেসিক ইনফোর্মেসন ওন দ্রগ, রোল ওফ টিচর ওন দ্রগ এব্যুজ প্রিভেন্সন অমদি বেসিক কাউন্সিল্লিং হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

হেলথ ক্যার সেন্টর দি এদিক্সনগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর দব্লিউ বিরেন্না ফোঙদোকখিবদি হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংনা নিষা চাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি মতৌ করম্না কলহৌগনি, মখোয়বু ওঝাশিংনা করম্না লোয়নগনি অমদি খুন্নাই অমদা মরু ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কলহৌদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমহৌসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

পি ই টি নিয়ম চুম্না পাঙথোক্ত্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ মণিপুর পুলিসকী ১০ শুবা অমদি ১১ শুবা আই আর বিগী রাইফলমেন লৌনবগীদমক অনীশুবা এম আর গ্রাউন্দদা চখরিবা ফিজিকেল ইফিসিয়েন্সি টেষ্ট (পি ই টি) নিয়ম চুম্না পাঙথোক্ত্রে হায়না রিক্রুইটমেন্ট অসিদা য়াওরুবা কেন্দিদেট অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সেকমাইজিন খুনৌদগী কাংজম সঞ্জোয়না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ৯ দা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চেছ নম্বর ৪৭২ ফংদুনা পি ই টিদা মশামক শরুক য়াখি। মদুদা মিটর ১০০ গী লমজেল, লোংজম অমদি হাইজমদা এক্সিলেন্ট ফংখি। অদুগা মিটর ৮০০ গী লমজেলদসু মরিশুবা পোজিসন তাদুনা অপিবা মিনিটকী মনুংদা চেনখি। অদুবু ফল লাউথোকপদদি য়াওরক্ত্রে।

হৌজিক চখরিবা রিক্রুইটমেন্টকী পি ই টি অসি মওং মরিল তাদ্রে হায়বদু থৌওং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে। মসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না সরকার অমদি মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি।

মতম কক্তনা লম্বী থিংলগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ইম্ফাল রাইজিং য়ুথ ক্লব কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই মনিং সেগা রোদনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল লৈকাই অসিগী মৈরা পায়বী য়াওনা মীয়ামগী মীফম ক্লবকী শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা লম্বী অসি শেম্বিদ্রিফাওবা খুদক্তগী থিংলগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

ক্লবকী সেক্রেটরী কে বোকুল শর্ম্মনা ফোঙদোরকখিবদি লোকেল এম এল এদা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জরফাওবা লম্বী অসি শেম্বিদ্রি। অদুনা শেমদ্রিবফাওবা খুদক্তগী থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। মখা তানা লম্বী অসি শেম্লকপা মতমদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌনবা টৌটি ঈশিং পুশিন্নবা পাইপ হুৎহৌদবশিংসু মাঙজৌননা হুৎহনবা হায়নসু য়ানখ্রে হায়রি।

অসাম মণিপুরী সিটিজন্স ফোরম শেমখ্রে

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক

সিলচর, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ঙসি সিলচরগী হোটেল ইল্লোরাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অসাম মণিপুরী সিটিজন্স ফোরম (এ এম সি এফ) হায়না মিংথোনবা অখণ্ড অহৈশিংনা মপূং ওইবা লূপ অমা শেমখ্রে।

নৌনা শেম্বা লূপ অসিগী থৌ পুনবা মেম্বর ১৪ লৈবগা লোয়নননা আই এস থিঙোম্বু প্রসিদেন্ট অদুগা ডা. মাইমোম শান্তিকুমার সিংহ অমসুং করুনা মুর্তি মিশ্রাবু ভাইস প্রসিদেন্ট, এন ধিরেন সিংহবু সেক্রেটরী অমসুং দেবসিস হাওবম অমসুং খংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহোনবুনা জোইন্ট সেক্রেটরী ওইনা হাপখ্রে। নৌনা শেমখিবা লূপ অসিগী মপূং ওইবা পান্দমদি মণিপুরী সোসাইটিগী আইদেন্টিটি ঙাক শেন্নবা হায়বসিনি। অসিদসু নত্তনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টদসু হেন্না মীৎয়েং চঙগনি হায়রি।

/ দশা য়েংজরি

☛ অঙাং লাইরিক ফনবা
☛ পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
☛ হায়বা ইন্নবা
☛ নিশা চাদনবা
☛ থবক ফংনবা
☛ করবার তোংনবা
☛ শেল পায়নবা
☛ ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
☛ য়ুম শাবা ঙম্নবা
☛ ফজবা গারী তোংনবা
☛ য়ুম্বাল কায়দনবা
☛ অঙাং য়াওননবা
☛ মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
☛ কেস ঙম্ননবা
☛ ভোৎ কাননবা
☛ অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কূপ্পা অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চ্যেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফার্ই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

SL/3010/30 days

সি এ বিগী মায়োক্তা ৱাংজিং বি জে পি ওফিস মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

SAFE NE PEOPLE
YELHOU KALL
SAFE NE PEOPLE
YELHOUMI KALLU
2019-2-10 13:55

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ লোক সভানা পাস তৌখিবা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনবা য়ারোই, বিল অসি হন্দোক্কদবনি হায়না ৱাংজিং অপূনবগী সনামহি লাইনিংলোইশিংনা শীন্দুনা ঙসি বি জে পি ৱাংজিং তেম্বা মন্দলগী ওফিস মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেনপেককী মেম্বরসু ওইরিবা মণিপুর দিমোক্রেটিক ফ্রন্টকী জেনরেল সেক্রেটরী রোজেল তোংব্রম্না ফোঙদোকখিবদি লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অসি লমদম অসিদা চৎনবা য়ারোই। অদুনা খুদক্তা বিল অসি হন্দোক্কদবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং মুত্থৎকদবা বিল অমনি হায়রদুনা মসিদগী হেন্না শাথিবা অমা অমুক লৈত্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা হোৎনরিবা বিল অসিদা তোঙানবা ক্লোজ অমা হাপচিনবা নৎত্রগা হাপচিন্দবগী মথৌ তাদে হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা য়েলহৌমী ঐখোয়গী কাংখুল মুৎকদৌরিবা বিল অসি হন্দোক্ত্রিবফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মসিদা য়ারক্ত্রবদি হায়দোকপা লাউথোকপা য়াদবা খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লক্কনি। মদুদা করি ওইরক্কদগে হায়বা অদুদি ঙসিগী সরকারনা খঙবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমুকোগী ২৬ শুবা কুমওন থৌরম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ২৬ শুবা কুমওন থৌরম থা অসিগী ১২ লাক্লিবা লৈবাক–পোকপা নুমিত্তা অমুকোগী ময়ায় শঙলেন ওফিস ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা পাঙথোক্লগনি।

কাঙলুপ নাইবা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপূনবা লিচিং শাগৎমিন্নসি হায়বা পাউজেলগা লোয়নননা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা অথেআইবা মীথুংলেন, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবান শর্ম্মনা থৌরম মপু অদুগা ওল মণিপুর ৱুমেন ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা)গী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

এন্টি করপসন ফ্রন্ট শেমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ঙসি লম্ফেল সনা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শেঞ্জা থুমজা থিংনবগী পান্দমদা এন্টি করপসন ফ্রন্ট হায়না মিংথোনবা ষ্টেট লেভেল ওর্গনাইজেসন অমা শেমখ্রে।

এক্স এম এল এ নামৈরাকপম নোদিয়াচান্দ, মণিপুর কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা লাইশ্রম সদানন্দা অমদি সোসিয়েল ৱার্কর সিঐচ ইতোন সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নৌনা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা খনখ্রবা চিংথাম চন্দ্রমনিনা ফোঙদোকখিবদি করপসন ফেবরিটিজম অমদি নেপোটিজম মুত্থৎনবা, ফ্রি এন্দ ফেয়ার ইলেক্সন পাঙথোক্লবা, থবক শুনিংবগী হৈনবী লৈহন্নবা, কাঙলূপ মশেল নুংশিননবা, ঐখোয় খূদিংমক সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট শরুক য়ামিন্ননবা পান্দমদা লূপ অসিনা হোৎনগনি।

ঙসিগী ৱাষি ফল (১১–০২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২, ৩ অফবনি।

বৃষঃ চরক চহিং নাইবা, খৎননিংবা, শাওনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। লম চৎপা চেকশিল্লু। অচৌবনদি চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

মিথুনঃ খৎনবা, শেল চৎপা, কোক শাবা মতম্নি। শাওনগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শাগৈ তিন্নবশিংনা য়েংথি। অরুবদি পাঙথোল্লগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

কর্কটঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

সিংহঃ খুদোংচাবা থেংনবা, ৱাখল হকচাং নুংঙাইবা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

কন্যাঃ খৎনবা, শাওনবা, ৱারৌবা, শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। গারী তপ্পা থৌগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ চরক চহিং নাইবা, কোক শাবা, শেল চৎপা, চরাঙনবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

ধনুঃ হোৎনজমন কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিং, মরুপ মফমশিং ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

মকরঃ শোক্কনবা, খৎননিংবা, অমগা অমগা মুক্লবা মতম্নি। অশাওবা নেমথবা ফগনি। অরানবা তাহল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। খরদি লাঙগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

কুম্ভঃ চরক চহিং নাইবা মতম্নি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা ওইরি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনদি চানবিরগনি। খরদি চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ ফগনি।

মীনঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। লম চৎপা হৈ শিংউ। খরদি লাঙগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ ফগনি।




চোংৱান মাগী অশেংবা ৱারীদুদগী শুকহোং হোংলমদে
মসি অঙাংসি ওইদবা ঙাংদুনা লৈরেনে
ফরে কোনুংগী মন্ত্রিদু কৌরগা চৈরাক পীহনবনা ফরে


কনা লৈ, মন্ত্রিদু কৌরুরো ওইদবা ঙাংবা, মী হাৎপগী মসি দণ্ডি পীহনসি চৎলু কৌরুচো